# কেপ্টেন অমরিন্দর সিংহবু পঞ্জাবকী চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখ্রে



চান্দিগর, মার্চ ১৬ (এজেন্সী):

হন্দক পাঙথোকখিবা পঞ্জাবকী এসেমব্লি ইলেক্সনদা কোংগ্রেসপু য়াম্না চাওনা মায় পাকহনখিবদা মরুওইবা থৌরাং লৌখিবা কেপ্টেন অমরিন্দর সিংহবু পঞ্জাবকী চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখ্রে।

রাজ ভবনদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা গবর্ণর ভি পি সিংহ বাদনোরনা অমরিন্দর সিংহবু থবক পায়বা অমদি অরোনবা ভাকপাগী ৱাশক লৌখি।

অমরিন্দর সিংহনা পঞ্জাবকী চীফ মিনিষ্টর ওইরকপদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা থাগৎপা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ষ্টেটকী মরুওইবা শেমগৎ-শাগৎপগী থবক থৌরম কয়া পায়খৎলক্কনি হায়বগী থাজবা ফোঙদোকখি।

ৱাশক লৌবগী থৌরমদা কোংগ্রেসকী ভাইস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধী অমদি হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহন সিংহ শরুক য়াখি। মার্চ ১১ দা মীখলগী ফল লাউথোকপা নুমিৎতা মশাগী চহী ৭৫ শুরবা অমরিন্দরনা ষ্টেট অসিগী ২৬ শুবা চীফ মিনিষ্টরনি। মহাক্না লোয়ননা কেবিনেট মিনিষ্টর ৯সু ৱাশক লৌখি।

মমাঙদা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ওইগনি হায়না থাজনখিবা নবজোট সিংহ সিধু অমদি মনপ্রিট সিংহ বাদল কেবিনেট মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখি। কৃকেট শান্নরোয় ওইরম্বদগী পোলিটিক্সতা খোঙদারকখিবা সিধুনা পঞ্জাবকী দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর শোয়দনা ওইরগনি হায়না থাজনখিবনি। অদুবু মিনিষ্টর মাপন ৱাশক লৌখিবগী মনুংদা মহাক্না অহুমশুবদা ৱাশক লৌখি।

কেবিনেট মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখ্রবা অতৈ মীওইশিং অদুগী মনুংদা মরিরক এম এল এ ওইনা মায় পাক্লকখ্রবা ট্রিপ রজিন্দর বাজুৱা অমসুং পঞ্জাবকী ওইনা খ্বাইদগী ইনাকখুনবা এম এল এ রানা গুরজিৎ সিংহ য়াওরি। কোংগ্রেস লেজিসলেচর পার্টিগী লুচিংবা চরনজিৎ সিংহ চানি অমদি নাবাহ কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম এল এ সাধু সিংহ ধরমসোটসু কেবিনেট মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখি।

নুপী এম এল এ অনী- অরুনা চৌধরি অমসুং রাজ্য সুল্টানাগী মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ওইনা ৱাশক লৌখি। মনমোহন সিংহ অমসুং রাহুল গান্ধী য়াওনা ৱাশক লৌবগী থৌরমদা শরুক য়াখিবা অতৈ শক্লাইরবা মীওইশিংদি হিমাচল প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর বির ভাদ্রা সিংহ, অনন্দ শর্ম্মা, ভুপিন্দর সিংহ হুদা, কাপিল সিবাল, রাজ বাব্বর, অম্বিকা সোনি, রজিব সুকলা, সচিন পাইলোট, রাজ্য সভাগী এম পি সুভাস চন্দ্র, অশোক গেহলোট, আশা কুমারী অসিনচিংবনি।

পাকিস্তানদগী লাকপা অমরিন্দরগী মমান্নবা অরুশা অলমসু ৱাশক লৌবগী থৌরমদা শরুক য়াখি।

অমরিন্দর সিংহনা মমাঙদা পার্টিগী এম এল এশিং অমদি মরী লৈনবা খুদিংমক্তা শেল কা হেন্না চঙদবা মওংদা ৱাশক লৌবগী থৌরম পাঙথোকপগী ৱাফম ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। শেনে দালগী পোৎলুম পুরিবা ষ্টেট অসিদা শেলগী পোৎলুম খরদং ওইরবসু হন্থহন্নবগী পান্দমদা য়াম্না চম্না ৱাশক লৌবগী থৌরম পাঙথোক্কনি হায়নসু অমরিন্দর সিংহনা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, হন্দক পাঙথোকখিবা পঞ্জাবকী এসেমব্লি ইলেক্সনদা কোংগ্রেসনা অপূনবা সীট ১১৭ কী মনুংদা সীট ৭৭ ফংদুনা য়াম্না চাওনা মায় পাকপা ঙমখিবনি।

ৱাশক লৌরবা মতুংদা নবজোট সিংহ সিধুনা অমরিন্দর সিংহগী মখোঙ শোক্তুনা খুরুমখিবা তারবসু দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ওইবা ফংহৌদ্রবা হান্নগী কৃকেটর অসিনা কোংগ্রেসকী লুচিংবশিংগী মথক্তা পেন্দবগী মওং অমা ময়েক শেংনা উবা ফংখি। দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ওইহন্নবা থৌরাং তৌরম্লবা সিধুবু কেবিনেট মিনিষ্টর ওইহনখিবগা লোয়ননা ইচম চম্বা পঞ্চায়টি রাজ অমদি ম্যুনিসিপা-লিটিজগী পোর্টফোলিও পীখি।

অমরোমদা, কেবিনেট মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখ্রবা মনপ্রিট সিংহ বাদলনা হায়খ্রে মদুদি, অমরিন্দর সিংহগী লিচিং মখাদা কোংগ্রেস গভর্ণমেন্টনা পঞ্জাবকী মাঙখ্রবা মিংচৎ অমুক হঞ্জিনহন্নবা থৌরাং কয়া লৌখৎলগনি। পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা হান্নগী ফাইনান্স মিনিষ্টর বাদলনা হায়খি, মতম অমদা পঞ্জাবকী ওইনা শেল-থুমগী ফীভম মাঙজিল থানা লৈরম্বা অদুগুম কোংগ্রেস গভর্ণমেন্টনা অথুবা মতমদা শেল-থুমগী ফীভম ফগৎহন্নবা হোৎনরগনি।

# এল কে অদভানিনা ইন্দিয়াগী মথংগী প্রসিদেন্ট ওইরবা য়াই হায়না থাজনরি



ন্যু দিল্লি, মার্চ ১৬ (এজেন্সী):

বি জে পিগী সিনিয়র লীদর লাল কৃষ্ণ অদভানিনা ইন্দিয়াগী মথংগী প্রসিদেন্ট ওইরবা য়াই হায়না এজেন্সীগী রিপোর্টনা ফোঙদোক্লি।

ছোর্স অমা পল্লদুনা এজেন্সীগী পাউনা হায়, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি মশামক্লা বি জে পিগী অহল ওইরবা লুচিংবা অসিগী মমিংবু মথংগী প্রসিদেন্ট ওইহন্নবা পুখৎখিবনি।

গুজরাটকী সোমনাথতা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা অদভানিগী মমিং পুখৎতুনা মথংগী প্রসিদেন্ট ওইহন্নবগী ৱাফম হৌদোকখি। অহল ওইরবা বি জে পিগী লুচিংবা অসিনা পার্টিগীদমক লৌখিবা থৌদাংশিংবু শকখঙবা ওইনা মথংগী প্রসিদেন্ট ওইহন্দুনা তৌবীমল খঙবা উৎফম থোকই হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

মীফম অদুদা পার্টিগী নেসনল প্রসিদেন্ট অমিট শাহ, কেসুভাই পটেল অমদি এল কে অদভানি মশামকসু শরুক য়াখি হায়রি।

পনবা য়াবদি, উত্তর প্রদেশকী এসেমব্লি ইলেক্সনদা বি জে পিনা সীট মশীং য়াম্না ফংদুনা মায় পাক্লবনিনা মথংগী প্রসিদেন্ট খনবগী মীখলদা পার্টি অসিনা থাগৎপা মীরেপ অমা শোয়দনা মায় পাক্লগনি হায়না থাজনরিবনি। চহী অসিগী জুলাই থাদা প্রসিদেন্ট খনবগী মীখল পাঙথোক্লবা য়াই হায়না থাজনরি।

কুমজা ১৯৯২ দা এল কে অদভানিনা সোমনাথতগী অযোধ্যা ফাওবা রথ যাত্রা অমা পাঙথোকখি। মতমদুদা অদভানিনা লৈবাক্কী প্রাইম মিনিষ্টর ওইনবা মঙ মঙখি। অদুবু মঙলান অদু মঙফাওনবা ঙমখিদ্রবসু মশাগী চহী ৮৯ শুরবা বি জে পিগী ভেটেরান লীদর অসি ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট ওইবা য়ানা লৈরে। লুরবা তানফম কয়াদা অদভানিনা মোদিগী মায়কৈদা লেপ্তুনা প্রোব্লেম কয়া সোল্ব তৌখিবগীদমক তৌবীমল খঙবা উৎপা ওইনা প্রাইম মিনিষ্টরনা অদভানিবু মথংগী প্রসিদেন্ট ওইহন্নবা থৌরাং লৌখৎলকপনি হায়রি।

উত্তর প্রদেশ অমদি উত্তরখন্দদা বি জে পিনা সীট মশীং য়াম্না ফংদুনা মায় পাক্লবনিনা হৌজিক্তি প্রসিদেন্ট খনবগী মীখলদা বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এনা অপাম্বা মীওই অমবু মথংগী প্রসিদেন্ট ওইহনবা ঙম্বগী ফীভমদা লৈরে। অদুমওইনমক বি জে পিনা হীরম অসিগী মতাংদা এ আই এ দি এম কে নৎত্রগা বি জে দিগুম্বা অতোপ্পা পার্টি খরগী মতেং লৌবা মথৌ তারকপা য়াই হায়রি।

মমাঙদা মেগা ষ্টার অমিতাব বচ্চননা প্রনাব মুখর্জীগী মহুৎ শীন্দুনা মথংগী প্রসিদেন্ট ওইরগনি হায়না থাজনখি। অদুবু পানামা পেপরসকী স্কেন্দলদা অমিতাব বচ্চনগী মমিং চেন্নরকপা মরম্না মহাকপু প্রসিদেন্ট ওইনা থাগৎনবগী থৌরাং তোকপা তাখি। অতোপ্পা ৱাফম অমনা নেসনেলিষ্ট কোংগ্রেস পার্টি (এন সী পি)গী লুচিংবা সরদ পাৱরবু ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট ওইনা থাগৎনবগী ৱাফম খন্নরকখি। অদুমওইনমক হীরম অসিগী মতাংদা অরোইবা ওইনা ৱারেপ লৌবা লৈত্রি। প্রসিদেন্ট প্রনাব মুখর্জীগী মতম লাক্লিবা জুলাই থাদা লোইরগনি।

বি জে পি অমদি মসিগা চৎমিন্নরিবা পার্টিশিংনা উত্তর প্রদেশতা সীট ৩২১, মণিপুরদা ৩০, উত্তরখন্দদা ৫৭ অমসুং গোৱাদা সীট ১৩ ফংখিবা মরম্না প্রসিদেন্ট খন্নবগী ইলেক্টোরেল কোলেজদা ভোট ৫৪৯৪৪২ ফংবা ঙম্বগী ফীভমদা লৈরে।

এন দি এনা হৌজিক-হৌজিক মশাগী ওইবা প্রসিদেন্ট মীরেপ অমা থাগৎনবগীদমক ভোট ২৫,৩৫৪ ৱাৎলি। প্রসিদেন্ট খনবগী মীখলদা পূন্না ভোট ১০,৯৮,৮৮২গী মনুংদা য়ামদ্রবদা ভোট তঙ্খায় অমা হেন্না ফংবা মথৌ তাই।

অমরোমদা, মনোহর পরিকারনা দিফেন্স মিনিষ্টরগী ফম থাদোক্তুনা গোৱাগী চীফ মিনিষ্টর ওইখ্রবা মতুংদা মহারাষ্ট্রগী চীফ মিনিষ্টর দেবেন্দ্র ফদনাবিসনা অনৌবা দিফেন্স মিনিষ্টর ওইরবা য়াই হায়না থাজনরি।

ফদনাবিসনা য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টতা য়াওখ্রবা মতুংদা মহারাষ্ট্রগী অনৌবা চীফ মিনিষ্টর অমা খল্লবা য়াই হায়নসু থাজনরি। হৌজিকমক্কী ওইনা অরুন জেটলিবু দিফেন্স মিনিষ্টরগী থৌ পুহল্লিবনি।

অমরোমদা, দেবেন্দ্র ফদনাবিস মশামক্লদি দিফেন্স মিনিষ্টর ওইবগী ৱাফম লৈতে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

# পথানকোট এয়রবেজ মনাক্তা পাক শন্না থিবা-হুম্বগী থবক চথখ্রে



পথানকোট, মার্চ ১৬ (এজেন্সী):

চিংনিংঙাই ওইবা মীওই খরা লৈরে হায়না ইন্টলিজেন্স এজেন্সীশিংনা পাউ পীরকখ্রবা মতুংদা পথানকোট এয়রবেজগী অকোয়বদা পাক শন্না থিবা-হুম্বগী থবক চথ্ররকপা নুমিৎ নীনি শুরে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

পঞ্জাব পুলিস, ইন্দিয়ন এয়রফোর্সকী গরুরা কম্মান্দো, আর্মি পার্সনেল, হিমাচল প্রদেশ পুলিস অমদি পেরামিলিটরি ফোর্সেসকী অপূনবা টিম অমনা এয়রবেজগী অকোয়বদা পাক শন্না থিবা-হুম্বগী থবক চথরি। খোঙমী-লাম্নীশিংগী মতেং পাংনবগীদমক ইন্দিয়ন এয়রফোর্সনা নোংথক্তা এরোপ্লেন পাইদুনা এয়র সর্ভিলেন্সকী থৌরাং কয়াসু লৌখৎলি।

ছর্চ ওপরেসন চথরিঙৈগী মনুংদা এয়রবেজগী মনাক নক্লা লৈবা মফম পুম্নমক সিল্ড তৌশিনখি। পথানকোট এয়রবেজদগী কিলোমিটর ২৫০ লাপ্পা মফমদা লৈবা দুকান অমদি অতৈ ইষ্টাব্লিশমেন্ট পুম্নমক থোঙ লোনহনখি।

পথানকোট দিষ্ট্রিক্টকী পুলিস চীফ নিলমবারি বিজয়জগদেলনা হায়খি মদুদি, এয়রবেজগী অকোয়বদা পাক শন্না থিবা-হুম্বগী থবক চথরবসু হৌজিক ফাওবগী ওইনা চিংনিংঙাই ওইবা থৌওং অমত্তা থেংনবা লৈত্রি।

মমাঙ চহীগী জানুৱারী ২ দা পাকিস্তানি টেররিষ্টশিংনা পথানকোট এয়রবেজদা এটেক চথরকপা লৈখ্রবনি। কুমজা ২০১৫ গী জুলাই থাদনা য়ুমলোন্নবা গুরদাসপুর দিষ্ট্রিক্টকী দিনানগর টাউনদা পাকিস্তানি টেররিষ্টশিংনা এটেক চথরকখি।

পুলিস ওফিসল অমনা হায়খি মদুদি, হৌখিবা য়ুমশকৈশ নুমিৎতা ইন্টলিজেন্স এজেন্সীশিংনা চিংনিনংঙাই ওইবা থৌওং খরা থেংনরে হায়না রিপোর্ট পীরকখ্রবা মতুংদা পথানকোট এয়রবেজগী অকোয়বদা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎতুনা লাকখি। পুলিস অমদি আর্মিগী তোঙান-তোঙানবা টিম শেমদুনা মফম অদুগী অকোয়বদা থিবা-হুম্বগী থবক চথরি।

এয়রপোর্ট ওঠোরিটিশিংগা পাউ ফাওনদুনা হান্নগী হেন্না কনবা মওংদা চেকচিন থৌরাং লৌখৎনবা খঙহনবা লৈখ্রে হায়না সিনিয়র সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস নিলমবারি জগদেলনা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর দিফেন্স সুভাস ভামরেনা লোক সভাদা হায়খ্রে মদুদি, মমাঙ চহীদা টেররিষ্টশিংনা পথানকোট এয়রবেজদা এটেক চথ্ররকখ্রবা মতুংদা শেমখিবা হায় লেবেল কম্মিটিনা পীরকপা রেকমেন্দেসন মতুংইন্না মিলিটরি ইন্সটোলেসন খুদিংমক্তা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলে।

ফ্রন্টলাইন মিলিটরি বেজ খুদিংমক্তা মথৌ তাবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপগী ফীভম উবা ফংদে হায়না পার্লিয়ামেন্টরি ষ্টেন্দিং কম্মিটি ওন দিফেন্সনা রিপোর্ট অমা পীরকখ্রবা মতুংদা মিনিষ্টরনা ৱাফম অসি লোক সভাদা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়খি, লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফমদা লৈরিবা মরুওইবা মিলিটরি ইন্সটোলেসন খুদিংমক্তা অকনবা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎলে। পথানকোট অমদি জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী য়ুরিদা টেররিষ্টশিংনা চথরকখিবা এটেক অদুগা মান্নবা মওংদা মতুং তারকপদা টেররিষ্টশিংনা অমুক হন্না এটেক চথবা ঙমহন্দনবগী পান্দমদা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, পথানকোটকী থৌদোক মতুং তারকপদা হান্নগী আর্মি ভাইস চীফ লেফটনেন্ট জেনরেল ফিলিপ কেম্পোজনা লুচিংবা কম্মিটি অমনা মিলিটরি ইন্সটোলেসন খুদিংমক্তা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎহন্নবগী মতাংদা য়েংশিনহনখিবনি।

# কানপুরদা বিল্ডিং নিংখায়রকপদা মীওই ৬ শিরে, ৮ শোক্লে



কানপুর, মার্চ ১৬ (এজেন্সী):

কানপুরগী শিবরাজপুর এরিয়াদা লৈবা কোল্ড ষ্টোরেল ফেসিলিটি অমা নিংখায়রকপদা মীওই ৬ শিখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা ৮ শোক্লে অমসুং মীওই ২০ হেন্না অতেক-অকায় মরক্তা ননশিন্দুনা লৈখ্রে।

সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস (রুরেল) রাজেশ কুমারনা হায়খি, কাটিয়ার কোল্ড ষ্টোরেজদা গ্যাস লিক ওইরকপদগী বিল্ডিং নিংখায়রকখিবনি।

চীফ মেদিকেল ওফিসর রমায়ন প্রসাদনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না ঙসি নুংথিল পুং ৪ দগীনা পুং ৬ ফাওবগী মনুংদা ফীভম থীনা শোক্লবা মীওই ৫ হোস্পিটালদা পুখৎলকখি। হৌজিক ফাওবদা মীওই ১৩ কনবা ঙম্লে। বিল্ডিংগী অতেক-অকায় মরক্তা ননশিন্দুনা লৈরিবা মীওইশিং কন্নবগী মতাংদা অকনবা থৌরাং লৌখৎপা হোৎনরি হায়না কানপুরগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট কৌশাল রাজ শর্ম্মনা ফোঙদোকখি।

কানপুরগী সিনিয়র সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস অকাশ কলাহারিনা হায়খি মদুদি, নেসনল দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্স অমসুং প্রোভিন্সল আর্মদ কন্সটেবুলরিনা মী কনবা অমদি মতেং পাংবগী থৌরাং লৌখৎলি। থৌদোক থোকফমদা দোক্টরশিংগী টিম অমা থুংখিবগা লোয়ননা মনাক নক্লা লৈবা লোকেল হোস্পিটালশিং মীৎকুপ-নাহুম শিংনা লৈহনখ্রে।

কোল্ড ষ্টোরেজ ফেসিলিটি অদুদা থবক তৌবা মীওইশিংনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না অহৌবা মখোল অমগা লোয়ননা পোকখায়বগী থৌদোক অমা থোকখ্রবা মতুংদা বিল্ডিং নিংখায়রকখিবনি হায়রি।

অহানবা ফংবা রিপোর্ট মতুংইন্না এমোনিয়া লিক ওইবদগী পোকখায়-রক্তুনা বিল্ডিং নিংখায়বগী থৌদোক অদু থোকখিবনি হায়রি। মনাক নক্লা লৈবা খুঞ্জাশিংনসু এমোনিয়া লিক ওইরকপ-দগী নীংশা শ্বর হোনবদা ৱাবা অমদি কোক ঙাওবনচিংবা খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্লবগী মতাংদা কমপ্লেন্ট তৌখি।

অমরোমদা, ভোপালগী কনহাসায়া এরিয়াদা লৈবা সেন্ট্রেল একাদেমী ফোর পুলিস ট্রেনিং (সী এ পি টি)গী বিল্ডিং নিংখায়রকপদা মীওই অমা শিখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা ১৫ অশোক-অপন নংলে হায়না ভোপালগী সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস সিদার্থ বহুগুনানা ফোঙদোকখ্রে।

থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মীওই অদু ছটিশগরদগী মাতুলু কোদা কৌই হায়রি। বিলখিরিয়া পুলিস অমদি নেসনল দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্স (এন দি আর এফ)কী অপূনবা টিম অমনা পুং ২ চুপ্পা মী কনবা অমদি মতেং পাংবগী থবক পায়খৎলবা মতুংদা অশোকপা ১৬ কনবা ঙমখি। শোক্লবা মীওই পুম্নমক ছটিশগরদগী ভোপালদা লেবরর ওইনা থবক শুবা লাকখিবনি। লেবররশিং অদু মখোয়না থবক শুরিবা বিল্ডিং মনুংদা লৈরকখিবনি।

চিনি লাল কৌবা শিন্মী অমনা হায়খি মদুদি, মহৌশাগী মতৌগুম মীয়াম্না থবক শুদুনা লৈরিঙৈদা ইখঙ খঙহৌদনা বিল্ডিং নিংখায়রকপদগী অশি-অনা থোকখিবনি। মথোল অনী ৱাংবা বিল্ডিং অদু মওং-মরিল চুম্না শাখিদবা মরম্না লাইবক থীবা থৌদোক অদু থোকখিবনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

চীফ মিনিষ্টর শিবরাজ সিংহ চৌহাননা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ইমুংদা লুপা লাখ ২ অমসুং অশোক-অপন নংলবশিংদনা লুপা ৫০,০০০ এক্স-গ্রেসিয়া ওইনা পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

# ইলেক্ট্রোনিক ভোটিং মেছিনশিং শেমদোকপা ঙমদে : ঈ সী আই

ন্যু দিল্লি, মার্চ ১৬ (এজেন্সী):

হন্দক পাঙথোকখিবা এসেমব্লি ইলেক্সনশিংদা ইলেক্ট্রোনিক ভোটিং মেছিন (ঈ ভি এম) শেমদোক-শেমজিন তৌখি হায়না মরাল শীরকখিবগী মতাংদা ইলেক্সন কম্মিসননা হায়খ্রে মদুদি, কনাগুম্বা মীওই অমনা ঈ ভি এম শেমদোকপা ঙম্লোই।

ষ্টেটমেন্ট অমদা ইলেক্সন কম্মিসননা হায়খি, কনাগুম্বা মীওই অমত্তনা অরানবা থৌওং চথবা ঙম্লোইদবা মওংদা ঈ ভি এমশিং শেমখিবনি। মরম অদুনা হন্দক পাঙথোকখিবা এসেমব্লি ইলেক্সনদা ঈ ভি এম শেমদোক-শেমজিন তৌখি হায়না শীরকখিবা মরাল পুম্নমক য়ুম্ফম য়াওদবনি। অদুমওইনমক কনাগুম্বা মীওই অমনা থাজনিংঙাই ওইবা খুদম চাংদম পীদুনা ৱাকৎলকপা তারবদি কম্মিসননা চপ চানা থিগৎনবা হোৎনগনি।

পঞ্জাব অমদি উত্তর প্রদেশকী এসেমব্লি ইলেক্সনদা ঈ ভি এম শেমদোক-শেমজিন তৌবগী থৌওং চথখি হায়না আম আদমি পার্টি (এ এ পি) অমসুং বহুজন সমাজ পার্টি (বি এস পি)না মরাল শীরকপা লৈখ্রবনি।

বি এস পিগী লুচিংবা মায়াৱতিনা হায়খি মদুদি, মার্চ ১১ দা মীখলগী ফল লাউথোক্লমদায়দা পাক শন্না ঈ ভি এমশিং শেমদোক-শেমজিন তৌবগী থৌওং চথখি। মদুনা মরম ওইরগা মীখল অদুদা বি এস পি মায়থীখিবনি।

পনবা য়াবদি, হন্দক্তগা পাঙথোকখিবা উত্তর প্রদেশকী এসেমব্লি ইলেক্সনদা বি এস পিনা অপূনবা সীট ৪০৩গী মনুংদা শুপ্নগী ১৯ খক ফংখিবনি।

পঞ্জাবতা অহানবা ওইনা মীখল থেংনরিবা এ এ পিসু ষ্টেটকী অপূনবা এসেমব্লি সীট ১১৭ কী মনুংদা শুপ্নগী সীট ২০ খক ফংবা ঙমখি।

ময়াৱতিনা হায়খি, বি জে পিনা অরানবা থৌওং চথদুনা মীখলদা মায় পাকখিবা থৌওং অদুবু নীংশিংবা ওইনা থা খুদিংগী বি এস পিনা 'ব্লেক দে'গী থৌরম পাঙথোক্কনি।

অমরোমদা, দিল্লিগী চীফ মিনিষ্টর অর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা হায়খি মদুদি, ঈ ভি এম শেমদোক-শেমজিন তৌখিবনা মরম ওইরগা পঞ্জাবকী মীখলদা এ এ পিনা মায়থীবা ফংখিবনি।

এ এ পিগী অপূনবা ভোট চাদা ২০ দগীনা চাদা ২৫ ফাওবা সিরোমনি অকালি দল অমদি ভারতিয়া জনতা পার্টিগী কোলিসনদা নমদুনা পীখি হায়নসু কেজ্রিৱালনা মরাল শীখি।

পার্টি অনীনা মীখলদা অরানবা থৌওং চথখিবগী মতাংদা ৱাকৎখ্রবা মতুংদা ইলেক্সন কম্মিসননা ঈ ভি এমশিং কনাগুম্বা মীওই অমত্তনা শেমদোক-শেমজিন তৌবা ঙম্লোইদবা মওংদা শেমখিবনি হায়না ফোঙদোরকখি।

# য়ুনিয়ন কেবিনেটনা নেসনল হেল্‌ঠ পোলিসি এপ্রুভ তৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, মার্চ ১৬ (এজেন্সী):

মীপুম খুদিংমক্তা অনা-লায়েংগী খুদোংচাবা ফংহন্নবগী পান্দমদা য়ুনিয়ন কেবিনেটনা নেসনল হেল্‌ঠ পোলিসি অয়াবা পীখ্রে।

য়ুনিয়ন হেল্‌ঠ মিনিষ্টর জে পি নাদ্দানা হায়খি, নেসনল হেল্‌ঠ পোলিসিনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীওই খুদিংমক পূন্সি শাংদোকহনবগা লোয়ননা অঙাং উন্নবদা মমা নৎত্রগা মচা শিবগী থৌওং হন্থহন্নবা থৌরাং লৌখৎলগনি।

কুমজা ২০২৫ ফাওবগী মমাঙদা মীওই অমনা পূন্সিবগী মতম চহী ৬৭.৫ দগী চহী ৭০ দা হেনগৎহল্লগনি। পব্লিক হোস্পিটাল খুদিংমক্তা লেম্না লায়েংবগা লোয়ননা লেম্না হীদাকলাংথকফংহল্লগনি হায়নসু মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

লোক সভাদা ৱা ঙাঙখিবদা য়ুনিয়ন হেল্‌ঠ মিনিষ্টরনা হায়খি, লায়না খুদিংমক মাঙজৌননা ঙাকথোক-হৌনবা থৌরাং লৌখৎপনা মরুওইবা পান্দম ওইরগনি। স্কুল অমদি থবক মফম খুদিংমক্তা তঙাইফদনা যোগগী কান্নবা খঙহন্দুনা মীয়াম্বু মশা-মউফনা লৈহন্নবা হোৎনরগনি।

য়ুনিয়ন কেবিনেটনা অয়াবা পীখ্রবা নেসনল হেল্‌ঠ পোলিসিগী মতুংইন্না গ্রোস দোমেষ্টিক প্রদক্ট (জি দি পি)গী চাদা ২.৫ অনা-লায়েংগা মরী লৈনবা থবক থৌরমদা শীজিন্নরগনি। হান্নদি জি দি পিগী চাদা ২ হকশেলগা মরী লৈনবা লম্দা থাদদুনা লাকখিবনি।

ৱাহং অমগী পাউখুমদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর জে পি নাদ্দানা হায়খি, কুমজা ২০২৫ ফাওবগী মমাঙদা মশাগী চহী ৫ শুদ্রিবা অঙাং শিবগী চাং ২৩গী মখাদা হন্থহন্নবা হোৎনরগনি। কুমজা ২০২০ ফাওবগী মনুংদনা মেটর্নেল মোর্টেলিটি রেট ১০০ দা হন্থহন্নবা হোৎনরগনি।

লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক মরুওইনা শোথহৌরবা কাঙলূপকী মীওইশিংদা অনা-লায়েংগী খুদোংচাবা ফংহন্নবা হোৎনরগনি। লৈবাক অসিগী ওইনা অনা-লায়েংগী পুৱারীদা নেসনল হেল্‌ঠ পোলিসি ২০১৭ না মরুওইবা থৌদাং লৌবা ঙল্লগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

পনবা য়াবদি, মমাঙগী নেসনল হেল্‌ঠ পোলিসি কুমজা ২০০২ দা শেমখিবনি। চহী ১৫গী মতুংদা অনৌবা পোলিসি অমা শেমদুনা মীপুম খুদিংমক্তা অনা-লায়েংগী খুদোংচাবা ফংহন্নবগীদমক থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি হায়রি।

BYS

Palace Compound (Macha Leima School)

# 9863284750/ 9856088990




ADMISSION OPEN

CLASS - X FOUNDATION COURSE (BOSEM) EVENING BATCH

STARTING ON MARCH 09, 2017. CLASS TIMING: 4.30PM to 7.30PM

HL-B/3729/03/03-05/04

HL-B/3681/19/02-18/03 (Alt.)

টৈংথাপ্লোং/ লায়েংজরি

UMA AYURVEDIC CLINIC (DR.(VAID) R N GUPTA)

উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

(অঙৌবা পকপা)

হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্লা ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)

তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)

দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফন্বী চাং হন্থব্ককনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)

নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোন্থা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)

পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবিয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)

ফন্বী পাবা, নুপাগী ফন্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)

নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)

না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)

শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

**HOW TO GIVE UP WINE**

If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegitables or tea without telling him.

**HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL**

If you want to control diabeties, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

DR.(VAID) R N GUPTA (396),
Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream
Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking,